# ম্যান্মার মিলিটরিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টতা ৱাকংখ্রে




য়াঙোন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

ম্যান্মার মিলিটরিগী লুচিংবা মিন অং লাইংনা লৈবাক অসিদা চত্থরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা ম্যান্মার একাউন্টেবিলিটি প্রোজেক্টনা ইন্টরনেসনেল কোর্টতা অঙীবা চেরোল পিশিন্দুনা ৱাকৎখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল কম্ম্যুনিটিনা ম্যান্মারগী ওইরিবা ফিভম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা অপিল তৌরক্লি।

মিলিটরি লুচিংবা মিননা লৈবাক অসিদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাকপু নম্ফুদা ইন্থুরবা মতুং মহাক মশানা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈহনখ্রে। মসিদা নত্তনা মহাক অমদি মহাক্কা চৎমিন্নরিবা মিলিটরি ওফিসরশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংবু ফাবা অমদি হাৎপগী থবক চত্থরি। অসিগুম্বা মীওইবগী ৱাখল্লোন চেন্দবা লুচিংবা অসিগী মথক্তা মতম চানা এক্সন লৌখৎফম থোকই হায়না ম্যান্মার একাউন্টেবিলিটি প্রোজেক্টনা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টতা খঙহনখিবনি। লৈবাক অসিদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী মরুওইবা হৌরকফমদি মিলিটরি লুচিংবশিংনি। মিলিটরি লুচিংবা মিনগী মীৎয়েং মখাদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ক্রাইম কয়া চত্থরি। মসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী তুংগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরে হায়না প্রোজেক্ট অসিগী দাইরেক্টর খ্রিস গুনর্সনা ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিগী জুলাই থাদসু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রাপোর্টর অমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক্কী মখাদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরর কেম্পেইন কয়া চত্থরি। জেনরেল মিননা পৱার পায়রকখ্রবা মতুং হৌজিকফাওবগী ওইনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,৩০৫ হেন্না হাৎখ্রে। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ৭৫ য়াওরি। অদুগা মীওই ১০,০০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে। লৈবাক অসিগী তুংগী ফিভম তম্বা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রে।

# মেক্সিকো রোদ এক্সিদেন্টতা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ শিখ্রে, ৫৮ অশোক অপন নংখ্রে



টক্সটলা, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মাইগ্রেন্ট কয়া হাপ্তুনা পুরকখিবা ট্রক অমা মেক্সিকোগী হায়ৱে অমদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী ট্রক অদুদা তোংলকখিবা মাইগ্রেন্ট ৫৩ শিহনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৮ শোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সিদেন্ট অসিগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা, এক্সিদেন্ট থোকখ্রবা ট্রক অদুদা পুন্না মীওই কয়া তোংলকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু ট্রকশিং অদুদা তোংলকখিবা মীওইশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস তম্না চৎনবা হোৎনরমখিবা ঙাক্তনি হায়বদি কনফার্ম তৌরে। এক্সিদেন্ট থোকখ্রবা মতুং ট্রক অদু থৌরকখিবা দ্রাইভর থিবা ফংদনা লৈরি। মহাক মফম অদু থাদোক্তুনা মশা কঞ্জনবগীদমক চেনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা থিজিন হুমজিনবগী থবক্তা লুচিংগদৌরিবা চিয়াপাগী সিভিল প্রোটেক্সন দিরেক্টর লুইস মেন্যুএল গার্সিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, ট্রক অদুদা তোংদুনা লাকখিবা মীওই অয়াম্বা গ্বাটেমোলাদগীনি। চিয়াপা দি কোর্জো সিটি অমদি ষ্টেট কেপিটেল টক্সটলা শন্নরিবা হায়ৱেদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ট্রক অদু স্পিদ কা হেন্না য়াংনা থৌরকপদগী কন্ট্রোল ঙমহৌদদুনা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। লো ইনফোর্সমেন্টশিংনা থিজিল্লবা মতুং মতৌ করম্না এক্সিদেন্ট অসি থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনগনি। ট্রক অদুবু থৌরকখিবা দ্রাইভরসু মশক খঙদোক্তুনা অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা গ্বাটেমালাগী প্রসিদেন্ট অলেজানদ্রো গিয়ামটৈনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি মেক্সিকো হায়ৱেদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না থম্মোয় শোক্লিঙাইনি। এক্সিদেন্টতা শোক্লবা মীওইশিং অদুগী লায়েং চত্থবা মতমদা মহাক্কী মায়কৈদগী মপুঙ ফানা মতেং পাংগনি অমদি লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

মফম অমদগী মফম অমদা চৎপদা মথৌ তাবা চে চাংশিং শুনা পায়দবা মীওইশিংনা ট্রকশিংগী খুথাংদা মফম অমদগী মফম অমদা চথোক চৎশিন তৌরি। হ্যুমেন ট্রাফিকরশিংনসু মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মাইগ্রেন্ট কয়া পুথোক পুশিন তৌবগী থবকশিং পাক শন্না চত্থরি। মরুওইনা গ্বাটেমালাদগী মেক্সিকোদা মাইগ্রেন্টশিং পুরক্লি। মদুদগী মাইগ্রেন্টশিং অদুনা য়ু এস ঙমখৈ তান্না অমুক চৎখিগদবনি হায়রি।

# য়ু এসতা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা পুন্না মীওই ১২ শিখি

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা য়ু এসতা থোক্লিবা গন ভাইওলেন্সকী থৌদোক অসি ইপিদেমিক ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবসু লৈবাক অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্না মরম ওইরগা মী শিহনবগী চাংদি হৌজিকসু হন্থদ্রি। হৌখিবা চয়োলসিদা য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা পুন্না মীওই ১২ শিখি অদুগা ৪৯ অশোক অপন নংখি হায়না য়ু এস মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলসিদা ন্যু জর্সি, সাউথ কেরোলিনা, জোরজিয়া, ওহিয়ো অমসুং মিনৈসোটাদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা মীওই ১২ লৈখিদবগা লোয়ননা ৪৯ শোকখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা য়াম্না তোয়না অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্লি। পুলিসনসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলি। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈবাক অদুদা থোক্লিবা নোংমৈগী ৱাথোক অসি লোয়শিনবা ঙমদনা লৈরি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা অকনবা ইন্সট্রক্সন কয়া পীদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। গন ভাইওলেন্সকী থৌদোক অসি লৈবাক অদুদা ইপেদেমিক ওইরে হায়না জো বাইদেননা লাউথোকখ্রে। লৈবাক অদুদা মরম চাদনা নোংমৈগী লাইসেন্স পীদনবসু মহাক্না মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। অদুবু লৈবাক অদুদা গন ভাইওলেন্সকী থৌওংদি থিংবা ঙমদ্রি।

# য়ানদবশিং ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা ব্লিনকননা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

মিদল ইষ্টতা হৌজিক হৌজিক ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনরকপগা লোয়ননা খুৎ থোক্লবগী চাং ৱাংখৎলপদগী মীশি মীনা থোরক্লিবা অদু অথুবা মতমদা ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকননা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং য়ু এসনা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়নগী মরক্তা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি লোয়শিন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। কটার, সাউদি অরাবিয়া, ইজিপ্ত অমসুং ফ্রান্সকসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাখ্রে।

হমাজ মিলিটেন্ট গ্রুপ্তা ইরান অমদি কাটারনা চাওনা মতেং পাংলি। মসিনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাংসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। ইজিপ্ত য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক খরনা ইজরেলগী মীচংদা লেপ্তুনা লৈরি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মাগী মাগী য়েংলগা থবক তৌবা অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ানদবশিং ৱারী শান্নহন্দুনা লোয়শিনহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং পেলিষ্টিনিয়নগী প্রসিদেন্টগা টেলিফোনগী খুথাংদা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়রি।

# বুষ্টর কাপখ্রবা মীওই ২দা ওমিক্রোন পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরে




সিঙ্গাপোর সিটি, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোনদগী হৌজিক্কী ওইনা ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর কাপথোকপনি হায়না মালেমগী লৈবাকশিংনা ফোঙদোক্লখ্রবসু সিঙ্গাপোরদা অহানবা ওইনা বুষ্টর কাপখ্রবা মীওই অনীদা ওমিক্রোন পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, ওমিক্রোন পোজিটিব ওইরমখ্রবা মীওই অনী অদুগী মনুংদা অমনা মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবী এয়রপোর্ট পেসেঞ্জর সর্ভিস ৱার্করনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমদুনা জর্মনিদগী মমাং চয়োলদা লৈবাক অসিদা লাকখিবনি। হায়রিবা মীওই অনীমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহুমশুবা দোজ কাপখ্রবা ঙাক্তনি। মখোয় অনীমক নেসনেল সেন্টর ফোর ইনফেক্টসস দিজিজদা থমদুনা ট্রিটমেন্ট চত্থরি। মখোয়গী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে। অদুম ওইনমক লায়না লায়চৎ অসি থুনা য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্বনা মরম ওইরগা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়রি।

# পাকিষ্টান গভর্নমেন্ট অমদি পাকিষ্টানি টালিবানগী মরক্তা তৌনখিবা সিজ ফয়ার লোইশিনখ্রে



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

মীয়াম্না পাকিষ্টানি টালিবান হায়রগা হেন্না খঙনরিবা টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) অমসুং পাকিষ্টান গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপ্পগী এগ্রিমেন্ট অমা তৌনখিবা অদুগী মতম লোয়শিল্লে হায়না টি টি পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকরকখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টান গভর্নমেন্টনা য়ানখিবশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্টকী মতম অসি তেনশিনখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পাকিষ্টানি টালিবাননা জর্নেলিষ্টশিংদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না, টি টি পি অমসুং পাকিষ্টান গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা মমাং থাগী ৯ দগী হৌরগা সিজ ফয়ারগী এগ্রিমেন্ট অদু খুয়েক পীনখিবনি। খুয়েক পীনখিবা মতমদা নাকল অনীগী মরক্তা হিরম কয়াদা য়ানবা পুরকখি। য়ানখিবশিং অদুগী মনুংদা পাকিষ্টান লৈঙাক্না হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা পাকিষ্টানি টালিবান মেম্বর ১০২ অহানবগী ওইনা থাদোকপা হায়বা ৱাফম য়াওরি। ইস্লামিক ইমাইরেটকী খুথাংদা মখোয়গী মেম্বরশিং অদু দিসেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা থাদোরক্কনি হায়না পাকিষ্টান লৈঙাক্না থাজবা পীখিবা অদু থবক্তা ওন্থোক্তবনা মরম ওইরগা সিজ ফয়ারগী ৱাফম মখা তানা লৈত্রে হায়না টি টি পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি।

পনবা য়াবদি পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা লোলহৌলূপ অসিগা ঈং তপ্পগী ৱারী শাবা হৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱাদ চৌধুরিনা মমাং থাগী ৮ দা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা সিজ ফয়ার তৌনখ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু টি টি পিগী মায়কৈদগী সিজ ফয়ারগী ৱাফম চৎনদ্রে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা মখা তানা হান্নগুম ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক কয়া থোরক্কদ্রা হায়না মীপাইনরি।

# সিভিলিয়ান মিলিসিয়া ১৪ খুৎলায় পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ঔগাদৌগৌ, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

বুরকিনা ফাসোগী অৱাং থংবা শরুক্তা ঙসি শকখঙদবা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই খুৎপু অমনা গভর্নমেন্টনা বেক তৌবা সিভিলিয়ান মিলিসিয়ামেন ১৪ এম্বুস তৌদুনা হাৎখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রোচ মাক কাবোরনা সিক্যুরিটিগী ওইবা থৌশিল হৈতবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং কা হেন্না থোক্লিবনি হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা চহী খরগী মমাংদগী ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। প্রসিদেন্টনা থৌশিল হৈতবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অরেম্বদা শিহনখ্রে। কয়া অমনা ময়ুম মকৈ থাদৌক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি। অদুগা লৈহৌরিবা মীওইশিংনসু অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়ামগী অৱাবা অসি কোক্নবা ঙসি ফাওবদা থবক অমত্তা পায়খৎলকপা লৈতে হায়রি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী মিলিসিয়ামেনশিংবু গভর্নমেন্টনা অহেনবা ফন্দিং কয়া তৌদুনা অল কাইদা অমদি আই এস আই এলগা মরী লৈনবা আর্মদ গ্রুপশিংগা মায়োক য়াবদা মতেং ওইনবগীদমক ট্রেনিং পীরি। অদুম ওইনমক হায়রিবা আর্মদ গ্রুপশিং অসিবু গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি মিলিসিয়ামেনশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর খৃষ্টোফ জোসেফ মফমদগী পোত্থাখ্রে হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াদা ভোলকেনিক ইরপসনন্না মখা তানা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে

জকারটা, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

থা অসিগী ৪ দা ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা মৈগী চীং সেমেরু খঙহৌদনা পোকখায়রকপগী থৌদোক্তা মীওই ৪৩ শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা থিবা ফংদনা লৈরকখ্রবা মতুং মখা তানা মৈগী চীং অসিনা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না মীয়াম্না চিংনরম্বা অদু হৌজিক্তি চিংননিঙাই ওইদ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না হান্নগুম মথৌ তৌবা য়ারগনি হায়রি।

ওথোরিটিশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মৈগী চীং পোকখায়বদগী পাইথোরকপা অশাবা মৈখু, মৈ মহী অমদি উৎমপৈশিংনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমা শোকহনখি। মদুদা নত্তনা মীওই ৪০ হেন্নসু থিবা ফংদনা লাকখিবনি। থিবা ফংদনা লাকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ১১ গী অশিবা হকচাং থেংনবা ঙমখ্রে। লেমহৌরিবশিং থিবগী থবক মখা তানা চত্থরি। অদুবু মখোয় শিরম্লগনি হায়না থাজনরি।

মাউন্ট সেমেরু হৌজিক্কী ওইনা অমুক হন্না পোকখায়রকপা য়াবগী খুদম অমত্তা উদ্রে। করিগুম্বা মখা তানা ইরপসন তৌরক্কদবা লৈরবদি মদুগী খুদম লৈগনি হায়না নেসনেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সিনা ফোঙদোকখ্রবসু চীং অসিগী অকোয়বদা মীওইশিংনা চথোক চৎশিন তৌবদি মখা তানা হৌজিকসু অথিংবা থল্লি। অথিংবা অসি মতম খরা লৈখিগনি হায়রি।

মৈগী চীং খ্বাইদগী হেন্না লৈবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়াসু অমনি। লৈবাক অসিদা য়ুহা হাবা অমদি মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোক্না মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখ্রে। য়ুহা হাবগী থৌদোক অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি অনৌবা থৌদোক নত্তে। অদুবু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা মতম লৈবা পুম্নমক্তা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মফমশিংদগী লাপথোক্লা লৈনবসু মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# নিকারাগুৱানা টাইৱানগা লৈনরম্বা মরী থদংখ্রে

মনাগুৱা, দিসেম্বর ১০ (এজেন্সী) :

চাইনা অমসুং টাইৱান লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী ৱাহৌগা মরী লৈননা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা নিকারাগুৱানা টাইপৈগা হান্না থল্লম্বা মরী অদু থদংলে হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর দেনিস মোনকাদানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চাইনাগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দেনিসনা ফোঙদোকখিবদা, পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী লৈঙাক অসিনা চাইনাগী অমত্তা ঙাইরবা মপুনি। টাইৱানসু পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী মনুং চনবা শরুক্লি। মসিনা মরম ওইরগা টাইৱানগা হান্না লৈনরম্বা মরী অদু থদত্তুনা চাইনাগা অফবা মরী থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি। বৈজিংগী মায়কৈদগীসু ৱাফম অসি কনফার্ম তৌখ্রে। অদুবু মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোলদি খঙহল্লকপা লৈত্রি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE : SOCIAL WELFARE DEPARTMENT

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 10th December, 2021

**No. 10/281/2021-SW(A&A):** The Department is implementing a scheme for fitting of aids and assistive devices (artificial limbs) for persons with disabilities. So, applications are invited from the intending eligible candidates for fitting the Aids and Assistive Devices (Artificial Limbs).

The prescribed application forms may be collected from the respective District Social Welfare Offices on working days from **15th December, 2021** or can be downloaded from the Deptt's website www.socialwelfare.mn.gov.in and the duly filled in application form along with the necessary documents must be submitted to the offices of the District Social Welfare concerned on or before **5th January, 2022.**

Sd/- **Ng. Uttam Singh**
Director, Social Welfare,
Manipur.

HL-B/7350/11



ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ

**ADMISSION OPEN**

**FOR THE FOLLOWING COURSES**

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

**FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764**
**OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com**

**PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING**
**KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL**

HL-B/7330/3-31(alt)



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 10th December, 2021

No. 7/10/2016-SW(IRCA)Pt-1: The Department of Social Welfare, Manipur invites applications from willing and eligible candidates for contractual engagement for 22 (twenty two) number of posts/positions for Government run De-Addiction Centre at Sunusiphai, Bishnupur District for a period of 1(one) year, details of which are as follows:

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Remuneration as per FD(PIC)'s norm (50% of 1st cell in the level of pay matrix under RoP-2019) | Reservation | Essential Qualification and Experience |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Project Coordinator cum Vocational Counsellor | 1 | Rs. 21,650/- p.m. | UR-1 | Graduate with experience of managing such centres for a minimum period of 3 years of running such centres and having working knowledge of computers. |
| 2 | Doctor (Part-time) | 2 | Rs.26,550/- p.m. | UR-1 | MBBS and preferably with a Training Certificate in Addiction Medicine from a recognized Institute. |
| 3 | Counsellor/Social Worker/Psychologist | 6 | Rs. 17700/- p.m. | ST-1, OBC(Meitei)-1 | Graduate in any discipline with three years experience in the field. He/She must preferably hold a Certificate of three months Training Course in de-addiction counselling by NISD and should have knowledge of English as well as one regional language. |
| 4 | Nurse | 4 | Rs. 14,600/- p.m. | ST-1 | Auxiliary Nurse Midwife (ANM) trained by a recognized medical institution. |
| 5 | Accountant cum Clerk | 1 | Rs. 12,750/- p.m. | UR-1 | Graduate with knowledge of accounts and working knowledge of computers |
| 6 | Ward Boys | 2 | Rs. 14,600/- p.m. | UR-1 | Class X and preferably experienced in such centres. |
| 7 | Peer Educator | 1 | Rs. 10,850/- p.m. | UR-1 | Should be literate, Ex-drug user with 1-2 years of sobriety. Willing to work among drug using population as well as possessing qualities like empathy, communication skills. Willing to get trained; Agrees to refrain from using, buying, or selling drugs; ready to work for the prevention of harmful drug use and relapse. |
| 8 | Cook | 2 | Rs. 9,950/- p.m. | UR-1 | Class X with cooking skills |
| 9 | Yoga therapist | 1 | Rs. 9,950/- p.m. | UR-1 | Class X with a Diploma Course Certificate on Yoga Therapy |
| 10 | Chowkidar | 1 | Rs. 7,850/- p.m. | UR-1 | Class X with good physique |
| 11 | Sweeper | 1 | Rs. 7,850/- p.m. | UR-1 | Class X |
| | Total | 22 | | | |

**Mode of recruitment/examination**: Office Memorandum no. 1/22/2008-DR-III/DP dated 18/09/2021 issued by Department of Personnel & Administrative Reforms (Personnel Division)

**Age of Candidates**: A minimum of 18 years, and not more than 38 (thirty eight) years as on 01/12 /2021. Upper age limit is relaxable by 5 years for ST/SC and 3 years for OBC.

**Issue & Submission of Application Forms**: Interested persons having the requisite qualifications may download the prescribed application forms from www.socialwelfare.mn.gov.in from **13/12/2021 to 24/12/2021.** The completed application forms along with requisite self-attested certificates/documents should be submitted to the Directorate Head Quarter, Department of Social Welfare, Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal on or before **27/12/2021** on working days between 10:30 a.m to 04:00 p.m. on cash payment of requisite fees.

**Fee**: Rs.500/- for Unreserved categories and Rs.300/- for ST/ SC/OBC.

**Documents to be submitted**: Self attested age proof certificate (Matriculation Certificate), ST/SC/OBC certificate, certificates in support of educational qualifications and experience should be submitted with the application form. Original certificates/documents should be brought at the time of Interview or as and when desired by the Department.

**Details of Written Test/Viva-Voce will be notified separately.**

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare),
Manipur

HL-B/7351/11,12